## কোভিদকী অনৌবা...

*লামায় ১গী মখা...* ভেক্সিন অমত্তা কাপত্রিবা মীওই অমগা পূন্না ২ কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদু অমনা ইম্ফাল ইষ্টতগীনা অদুগা অমনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগীনি হায়রি।

মখোয় অনী লৈখিদবা থারগা হৌজিক ফাওবদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মণিপুরগী অপূনবা মীওইশিংগী মশীং ২০০৬ শুখ্রে। লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেল ৫ য়াওনা পূন্না মীওই ৩০ নৌনা পোজিটিভ ওইরকখি। অনৌবা পোজিটিভ কেস ৩০ অসি হাপচিল্লবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,২৫,৮৭৮ শুরে হায়রি।

ঙসিগী ওইনা মীওই ৫ খক্তমক নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখি অদুগা হৌজিক ষ্টেট অসিদা লৈবা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ২৫৭নি। রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.২০নি হায়রি। অদুম ওইনমক ঙরাং খক্তদা মীওই ৫৪৪৩ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা অহানবা দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীং ১৩,২৮,০১৮ অমসুং অনীশুবা দোজগীনা ৯,৯৪৩৬৮ শুরে হায়নসু হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 84.207459 |
| US Dollar | 74.683796 |
| British Pound | 100.680549 |
| Australian Dollar | 53.680216 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.733171 |
| Japanese Yen | 0.642139 |
| Malaysian Ringgit | 17.843624 |
| Singapore Dollar | 54.984778 |
| South Korean Won | 0.062308 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.915679 |
| Thai Baht | 2.239444 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 47769.00 |
| Mumbai | – | Rs | 48600.00 |
| Delhi | – | Rs | 48382.00 |
| Kolkata | – | Rs | 48685.00 |

## GAS NEWS

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Delivery
**Booking Upto 20/11/2021**
Valid from 15/11/21
**Stock 306 nos.**
Home Dellivery & Booking Contact numbers 8132036940, 8414824977, 8413936705, 7085786488
Call Time 8am to 12 noon
Sunday closed
**KHORIPHABA NAMBOL BK. UPTODATE**
Timing:6am to 10am
Home delivery no:9366471778/ 8974087390/8787632782
**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 23-12-21
**B/upto - 25-12-21**
**Stock 306**
7am to 10am
**M/S BASHIKHONG INDANE BOOKING UPT029/11/21**
VALID FROM20/11/21
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738 / 8794622868 OFFICE TIMING 7.30AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-15-11-2021,**
VALID FROM 09-11-2021,
**STOCK : 918**
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO 23/12/21 (SL.No. 01 to 50)**
VALID FROM 21/12/21
(SL.No. 61 )
Time: 11 am to 2 pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883
**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTODATE**
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
FIRST COME FERST SERVED
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am
**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
Ujjwala connection available 30-12-2021
Update Gas Card With Fresh personal photo. New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.For Christmas and New Year special offer is made for our Christian Brothers and sisters for refill send form no. 1 in our noted whatsApp no.
**M/S K&K INDANE SERVICE,**
home delivery only
**Booking uptodate**
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.
Enquiry no. 9856134465.

## মীওই ৬মক জেলদা ...

*লামায় ১গী মখা...* থোকচোম বিশোরজিৎ এলিয়জ পুত্রো (৪০) অপোকপা টি ঐচ ইবোচৌবা, হৈরোক পার্ট টু ময়ায় লৈকায়দগী খুন্দোংবম নিকি এলিয়জ অঞ্জু (৩৩) অপোকপা কে ঐচ রঘুচন্দ্র, হৈরোক পার্ট ৱান ময়ায় লৈকায়দগী থোকচোম হেনরিক এলিয়জ নাওবী (২৯), হৈরোক পার্ট টু ময়ায় লৈকায়দগী লাইশ্রম বিকেন (২৩) অপোকপা এল বিমোল, লৈকায়সিদগী থোকচোম সনাথোই এলিয়জ লাই (৩৪) অপোকপা টি ঐচ দিজেন এলিয়জ লাকপতি অমসুং হৈরোক পার্ট থ্রী তৌরাংবম লৈকায়দগী নিংথৌজম পনন (৩৩) অপোকপা এন মুহিন্দ্রোনি।

কেস অসিগা মরী লৈননা মখোয় তরুক মমাঙ থাগী ২৪দা ফারবা মতুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দ্যুটি মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোক্তুনা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌবদা অয়াবা পীরকপদগী ঙসি ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা থল্লকখিবনি। অদুবু ঙসি মখোয়গী পুলিস কষ্টদিগী মতম লোইরদুনা পুলিসকী মায়কৈদগী জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনা অয়াবা পীখিবনি।

মখোয় তরুকপু জেলদা থাজিনবীনবা পুলিসকী মায়কৈদগী ঙসি পুথোরকখিবদা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা কেস অসিগী থৌদোক থোকফমদগী কাপথোকখ্রবা এমতি কেস ৫ য়াওনা ঈ তৈবা রবরগী বুথ অমা য়াওনা অতে পোৎলমশিং রিকোভর তৌখ্রবসু লৈখিদ্রবা রোহিট অমসুং মহাক্কী অপোকপা মপাদা কাপখিবা নোংমৈশিং অদু হৌজিক ফাওবদা পুলিসনা রিকোভর তৌবা ঙমদ্রিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নবা অতে মীওইশিংসু শুনা ফাগৎত্রিবনা হৌজিক লৈরিবা কেস অসিগী তাঙ্ককসিদা মখোয়বু বেলদা রিলিজ তৌবীগনু হায়জরকখি। লোয়ননা থৌদোক থোক্লিবা নুমিৎ অদুগী অহিংদা মখোয় তরুকমক্লা ময়ূম ময়ূমদা তূমদুনা লৈ হায়রগসু মখোয়না শীজিন্নবা মোবাইল ফোনশিংগী সী দি আর এনালাইসিষ্টকী মতুংইন্না মখোয় থৌদোক থোকখিবা মতম অদুদা তূমদুনা লৈখিদে হায়বা খঙবা ঙম্বগা লোয়ননা পুলিসকী মায়কৈদগী চত্থরকপা ইনভেষ্টিগেসনদা মখোয়না কোওপরেসন পীদে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি।

ফাগৎলবা মখোয় তরুক্কী মমিংদা লাইসেন্স নোংমৈশিং ইস্যু তৌবা লৈব্রা হায়বগী মতাংদা থিজিল্লুবদদি মখোয় তরুক্কী মীংদা নোংমৈ ইস্যু তৌরম্বা লৈরমদে অদুবু থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী চেরোল অমগী মতুংইন্নদি মখোয়না থৌদোক অদু থোকহনবা মতমদা অন ওথোরাইজ ওইবা নোংমৈশিং শীজিন্নখি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লে হায়রি।

মরমশিং অসিনা মখোয় তরুকপু জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌবীনবা প্রেয়র তৌরকখি।

পনবা য়াবদি, এস পি থৌবালগী মায়কৈদগী মমাঙ থাগী ২৪দা পীরকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চত্থনবগীদমক স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমা শেমদুনা মসিগী ইনভেষ্টিগেসনগী থবক চত্থরকখিবনি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

## মণিপুরগী লৈঙাক মমিৎ তাংলব্রা...

*লামায় ১গী মখা...* পাউমীশিংদা ফোঙদোরকপদা ঙসি ঐগী ইচাবু মীনুংশি লৈতনা হাৎখিবা, ইপুরোইববুনা নোংমৈনা কাপ্পুনা থন্বীরম্বা, মপাগী মমাঙমক্তা ইচাবু নোংমৈনা কাপ্পদা ইচাগী থৱায়তদি কনবীয়ু হায়জবদা তাবীখিদ্রবা মীহাৎপশিং অদু মতিক চাবা চৈরাক পীবিয়ু। ঐগী ইমাংমক্তদা ইচাবু চিংথোক্লগা কাপ্পুনা হাৎপীখিবা মীহাৎপশিং ফাঁসি তৌবীয়ু, জেলদা থন্বীয়ু। চৈরাক পীবা ঙমদ্রগদি ঐবুসু হাৎতোকপীয়ু। ঐগী নুপাবুসু হাৎপীয়ু, ঐনা ঙসি ইচা কায়নখিবদগী অঙাওবী অমা ওইরিবসি নুংঙাইতবা ফোঙদোক্কুনা মীহাৎপগী মমা মপাশিং অদুবুসু মীহাৎপগী চৈরাক পীগনবা হায়খি।

জে এ সীগী কনভিনর মোইরাংথেম শমজীনা হৌজিক ঐখোয়না মণিপুর লৈঙাক্তা হায়নীরিবা মদুদি ঙরাং নহাক্তা লিলোংদা থোকপা ওইগী নাওনা লৌরুবা মনুংদা অহিং অমদা মীহাৎপা পুখোক্তুনা মতিক চাবা চৈরাক পীনবগীদমক রায়েলবা হৌরে। হৈরোকতা হন্দক থোকখিবা থৌদোকশিংসিদা নোংমৈ মরুনা পানবা, শোকফম নাইনা শোকহল্লক্না থৌদোকশিং কায়াসিদি মশক মমিংগা কোয়না মীদিয়াদা তাক্কবা ফাওবদা তুমিন্না লৈশিল্লিবা করিগীনো, মণিপুর লৈঙাক্লা হৈরোক অসিবু করি ওইনা উবীবনো, হৈরোক অসি মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাংমদা লৈবা তোঙানবা লৈবাক অমদা লৈবা ওইনা খনবীব্রা, মণিপুর লৈঙাক মমিৎ তাংলব্রা, পুলিস দিপার্টমেন্ট মথৌ তৌদব্রা, করিগীদমক পুলিস দিপার্টমেন্টনা মীশি অসিগী লংলা লংজিন থিবা তপথরিবনো, করিগী অকিবা লৈরিবনো, হৈরোককী মীয়াম অসিবু মী ওইনা উবীদব্রা হায়নসু লৈঙাক্লা হংখি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হৈরোকতা হৌখিবা চহী ২০২১গী ওক্টোবর ১৫দগী থোকখিবা থৌদোকশিং, মীশি মীনা, যূম থুগাইবা, যূম মৈ থাবা অমদি গাড়ী থুগাইবনচিংবা থৌদোকশিং অসিগী মীৎনা উবা খুদম চাংদম কয়া অমা পীখ্রে। ভিদিও ফুটেজদা উবা মীওই কয়া অমা লৈখ্রে অদুবু ঙসি ফাওবা ফাগৎপীদ্রি। ঙসি হৈরোকতা ক্রাইম শৌগৎলিবা কনাগুন্বা মীওই অমগী লিচিং মখাদা তৎতনা চৎশিনক্লিবা অসিবু মণিপুর লৈঙাক লৈতবগীরা, মীয়ামগী রাক্ষ তৌবীয়ু। লৈঙাক অমা ওইনা হায়রিবা খুদম উৎপীবা, লৈঙাক চলাইবীয়ু হায়দুনা রাকৎচবনি। অদুবু লমনমদগী মণিপুর অড্রুঙ রায়েল লৈরক্লবগী নোংমৈ শোঙদনা হৈরোকতা সিভিল রায় থোক্লরক্কনি। মণিপুর লৈঙাক্না মীয়ামশিং নাশিংনা লৈবীয়ু হায়খি।

পনবা য়াবদি, জে এ সীনা রোহিট মীশি অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোকদুনা লেপ্তুনা লৈকায় মখোয়গী রাকৎ মীফম ফমদুনা পেন্দবগী খোল্লাউশিং লাউরক্লবনি। হৌজিকসু হৈরোকতা নিংথৌজম রোহিট লৈখিদ্রবা মতুংদা থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট ম্যাজিষ্ট্রেটনা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা কর্ফিয়ু থল্লিবনি। মখা তানা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরক্তনবা সী আর পি এফ অমসুং বি এস এফ য়াওনা ষ্টেট পুলিসনা মীকুপ নাহুমশিংনা ঙাক শেল্লিবনি ।

## মীয়ামগী অৱাবা খঙদুনা ইন্দিয়া ...

*লামায় ১গী মখা...* লমদা চাওখৎপা পুরকপা য়াবগী লন্বী য়াম্না লৈ। অসিগুম্বা ওইথোকপা য়াবা ফীভমশিং অসিবু মঙফাওনহন্নবা অৱাং-নোংপোক্কী লমদমদা থবক ওইনা হৌজিক য়াম্না কন্না পায়খৎলি। ঙসিদি অৱাং-নোংপোক্লা ইন্দিয়াগী চাওখৎপগী গেটৱে অমা ওইরক্লি।

মণিপুর হায়বা লমদম অসি লৈবাক অসিগীদমক খ্বাইদগী তাঙলবা মণি পীবা ষ্টেট অমা ওইদুনা লাক্লি। লমদম অসিগী নহাশিং মরুওইনা নুপীমচাশিংনা লৈবাক অসিবু মালেম শিনবা থুংনা মমিং চৎহনবা ঙস্লে। মসিদা নত্তনা ঙসিগী মতম অসিদা লৈবাক অসিগী নহাশিংদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা চাওনা ইথিল পীরি। দবল ইঞ্জিন গভর্ণমেন্ট অসিনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনবদগী ঙসিদি লমদম অসিদা লালহৌবগী অকি-অখং কয়া লৈরম্বা অদু কোকহনবা ঙস্লে। ঙসিদি তংদু-লৈতাবা অমসুং চাওখৎপগী মঙাল ওইনা লাকপগা লোয়ননা অহোংবা কয়া লাকপা উরে। অৱাং-নোংপোক্লা খুৎলায় থাদোক্লে অমসুং চাওখৎপগী লমজেলদা য়াওরে। চহী কয়াদগী পন্দুনা লাক্লবা য়ানবগী ৱারী কয়াবু ঐখোয়গী গভর্ণমেন্ট অসিনা লৌশিন্দুনা পুৱারী ওইরবা একোর্দ কয়াগী ৱারোইশিন পুরক্লে। লোয়ননা মণিপুরনা 'ব্লোকেদ ষ্টেট' অমা ওইরম্বদগী হৌজিক্তি মালেমগী ত্রেদকী লন্বী য়াৎলে। ঙসিগী ২১শুবা চহী চা অসি মণিপুরগী ওইনা য়াম্না মরুওইবা তাঙ্কক অমনি। মণিপুর য়াওনা লৈবাক অসিদা হান্না পাল্লম্বা লৈঙাকশিংনা মাঙহনখিবা মতমশিং অদু ঐখোয় পূম্নমক্কী য়াম্না লাইবক থীবনি। অদুবু হৌজিক্তি ঐখোয়গী লৈঙাক অসি হেক লাকখিবদগী মতম মাঙহনবা য়াবগী মীৎকুপ অমত্তা লৈহন্দ্রে। ঐখোয়না মণিপুরগী তংদু লৈতাবা ফীভম ঙাক্তুনা থম্বা তাই অমদি মণিপুরবু চাওখৎপগী লন্বীদা অনৌবা থাক অমদা পুখৎপা চঙই। মসি পূম্নমক অসি দবল ইঞ্জিন ওইরিবা গভর্ণমেন্ট অসি খক্তনা ওইথোকহনবা ঙমগনি। ঙসি মণিপুর অমদি নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম্বু লৈঙাক অসিনা লুমনা খঞ্জবনা চাওখৎ-থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলি। লোয়ননা মণিপুরগী পুৱারিদা য়াম্না মরুওইখ্রবা থৌদোকশিংবু লৈঙাক অসিনা খঙলদুনা অন্দমান নিকোবরদা লৈবা মাউন্ট হেরিএটবু মাউন্ট মণিপুর হায়না মমিং থোনখিবা অসিনা মণিপুরবু মালেমগী লৈবাক কয়ানা অমদি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না মশক খঙবা হায়বদুসু ওইরগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তারদুনা হায়, জন্যুৱারী ২১দা মণিপুরনা ষ্টেটহুদ ফংখিবগী ৫০শুবা কুমওন শুগদৌরিবনি। মসিনা ইন্দিয়াগী নিংতম্বগী চহী ৭৫ শুবগী অমৃত মহোৎসভকী থৌরমগা পুনবা অসিনা অচৌবা ইথিল অমসু ওইরগনি। মণিপুরগী মীয়ামগী থৌনা তশেংনা ইকায়খুম্নবা উৎচরি। লৈবাক অসিগী নিংতম্বগী ৱাখল্লোলদা থাজবা হৌখিবা অসি নেটাজি সুভাসচন্দ্র বোসনা মচু অহুমগী ফিরালবু অহানবা ওইনা পায়হনখিবা অদু মণিপুরগী মোইরাংদনি। নেটাজিনা ইন্দিয়াগী নিংতম্বগী গেটৱেনি হায়বিরম্বা অদু ঙসিদি অৱাং-নোংপোক্লা অনৌবা ইন্দিয়াগী মঙলান মঙফাওনবগী গেটৱে অমা ওইরক্লি। ইন্দিয়াগী নোংপোক অমসুং অৱাং-নোংপোক থংবা মফম অসিনা ইন্দিয়াগী চাওখৎপগী হৌরকফম অমা ওইগনি হায়বগী থাজবা অদু অমুক হন্না নীংশিংবগা লোয়ননা ঙসিদি ফীভম অদু লমদম অসিগী শাহৌদা উবা ফংলে।

ঙসি শঙ্গাখ্রিবা অমসুং উরেপ-উয়ুং তমখ্রিবা অমদি চাওখৎ-থৌরাংগী স্কিম কয়া অসিগীদমক মণিপুরগী মীয়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মণিপুরদা মপুং ফাবা মেজোরিটি ওইদুনা মরা চেৎনা অমসুং মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিবু শেমহনখিবগীদমক্তা মণিপুরগী মীয়াম্বু থাগৎলি হায়খি। অসিগুম্বা মরা চেৎপা অমসুং মীয়াম্না পাম্না খনখিবা লৈঙাক অসিনা মরম ওইদুনা লৌমী লাক্ষ ৬কী ইমুংনা কিসান সন্মান নিধিগী মখাদা লুপা ক্রোর চা কয়া ফংলিবা, লায়রবা ইমুং লাক্ষ ৬না পি এম গরিব কল্যান স্কিমগী মখাদা কান্নবা ফংলিবা, পি এম এ ৱাইগী মখাদা য়ুম লিশিং ৮০ ফংলিবা, অয়ুশমান য়োজনাগী মখাদা লুপা লাক্ষ ৪.২৫ ফাওবগী লেম্না লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংলিবা, গ্যাস কনেক্সন লাক্ষ ১.৫ ফংলিবা, মৈগী কনেক্সন লাক্ষ ১.৩ ফংলিবা, লেট্রিন লিশিং ৩০, ভেক্সিন দোজ লাক্ষ ৩০ হেন্না লেম্না ফংলিবা অমদি ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংদা ওক্সিজেন প্লান্ট লৈবগী মায়পাকপগী থবকশিং ওইথোকপা ঙল্লিবনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ঙসিগী থৌরম অদুদা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী নোংমগী ওইবা খোঙচৎ অদুদা লুপা ক্রোর ১,৮৫০গী চাওখৎ-থৌরাংগী প্রোজেক্ট ১৩ শঙ্গাখি। লুপা ক্রোর ২,৯৫০গী চাওখৎ-থৌরাংগী প্রোজেক্ট ৯গী উরেপ-উয়ুং তমখি। প্রোজেক্টশিং অসি রোদ ইনফ্রাষ্ট্রকচর, থক্লনবা ঈশিং পীবা, হকশেল, অর্বান দিভেলপমেন্ট, হাউজিং, ইনফোর্মেসন-টেক্লোলোজি, স্কিল দিভেলপমেন্ট, আর্ট অমসুং কলচরগা মরি লৈনবশিংনি। লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরনা লুপা ক্রোর ১,৭০০ চঙনা শাগদবা নেসনল হায়ৱে প্রোজেক্ট ৫গী উরেপ-উয়ুংসু তমখি। নেসনল হায়ৱে ৩৭তা লৈবা বারাক তুরেলগী মথক্তা লুপা ক্রোর ৭৫ চঙনা শাখিবা থোংসু শঙ্গাখি। থোং অসিনা সিলচর অমদি ইম্ফালগী ত্রাফিকপু হেন্না কোমহনবা ঙল্লগনি হায়রি। থৌরম অদুদা মণিপুরগী মীয়ামদা লুপা ক্রোর ১,১০০ চঙনা শাখিবা মোবাইল টাৱর ২,৩৮৭সু খুৎশিন্নখি। ইম্ফাল সিটিদা ঈশিং পীগদবা লুপা ক্রোর ২৮০ চঙনা শাখিবা থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টকী ৱাটর ট্রান্সমিসন সিষ্টম, তামেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী খুল ১০গী ঈশিং পীগদবা লুপা ক্রোর ৬৫ চঙনা শাখিবা ৱাটর সপ্লাই স্কিম প্রোজেক্ট অমদি সেনাপটিগী মীয়ামদা ঈশিং পীনবা লুপা ক্রোর ৫১ চঙনা শাখিবা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটর ৱাটর সপ্লাই স্কিমগী ওগমেন্টেসন অমসু শঙ্গাখি।

ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ১৬০ চঙনা পি পি পি বেসিসতা ইম্ফালদা শাগদবা 'ষ্টেট ওফ দ আর্ট কেন্সর হোস্পিটাল'গী উরেপ-উয়ুংসু তমখি। লুপা ক্রোর ৩৭ চঙনা দি আর দি ওগা খুৎশম্লনা কিয়ামগৈদা শাখিবা 'ফমুং ২০০গী কোভিদ হোস্পিটাল' সু শঙ্গাখি। লোয়ননা ইন্টিগ্রেটেদ কম্মান্দ এন্দ কন্ট্রোল সেন্টর (আই সী সী সী), ইম্ফাল তুরেলগী দিভেলপমেন্ট ওফ ইষ্টর্ন রিভর ফ্রন্ট (ফেজ ১), অমদি থঙ্গাল বাজারগী দিভেলপমেন্ট ওফ মোল রোদ (ফেজ ১) য়াওনা লুপা ক্রোর ১৭০ চঙনা ইম্ফাল স্মার্ট সিটি মিসনগী মখাদা শাখিবা প্রোজেক্ট অহুমসু শঙ্গাখি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চাওরাক্লা লুপা ক্রোর ২০০ চঙনা শাগদবা 'সেন্টর ফোর ইনভেন্সন, ইন্নোভেসন, ইনক্যুবেসন অমদি ত্রেনিং (সী আই আই আই টি)' গী উরেপ-উয়ুংসু তমখি। লোয়ননা হরিয়ানাগী গুরগাউদা লুপা ক্রোর ২৪০ হেন্না চঙনা শাগদবা মণিপুর ইন্সটিট্যুট ওফ পর্ফোমিং আর্টসকী উরেপ-উয়ুংসু তমখি হায়রি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ষ্টেট অসিদা লাক্লিবা অহোংবা কয়া অমদি বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি লাকখিবদগী থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকখিবা থবক-থৌরম কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা মণিপুরগী গভর্ণর লা গনেসন, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ডা. রাজকুমার রঞ্জন, দেপ্যুটি সী এম ৱাই জয়কুমার, ৱার্ক মিনিষ্টর টিএচ বিশ্বজিৎ অমদি লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টর কয়া অমসুং গভর্ণমেন্টকী ওফিসিএল কয়াসু শরুক য়াখি।

## খেংজোইগী খুলশিংদা প্রিপেদ মিটর পাল্লগা...

*লামায় ১গী মখা...* খৈলেট তৌথাংগা পাউচে অসিগা অখন্ননা উনরকপদা মহাক্লা হায়, মণিপুরগী লমখৈ ঙাক্তুনা মরু ওইনা কুকি কাঙলূপনা খুন্দারিবা খেংজোই সব দিভিজনগী মনুংদা লৈরিবা খুল ১০০ রোম চহী কয়াগী মমাঙদগী খুন্দা লৈতাদুনা লাক্লি। যূমলোন্নরিবা লৈবাক ম্যান্মারগী খুলশিংদদি ইলেক্ট্রিক্ট নিংথিনা ফংনরবসু য়াম্না পূক্লিং নুংশিনীংঙাই ওইবা মওংদা ঐখোয়গী মণিপুর রোমদদি ম্যান্মারগী ঙমখৈগা হেক তাইননা লৈরিবা টি এস লাইজাং খুলদগী হৌরগা কিলোমিটর ৪৫দগী ৫০ রোম চৎলগা লৈরিবা ন্যু সোমটাল ফাওবদা লৈরিবা খুল ৫০ রোম অসি ঙসি ফাওবা ইলেক্ট্রিক্ট ফংবা ঙমদনা লৈরি হায়রকখি।

চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা ইলেক্ট্রিক্ট ফংনবা পান্দমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা পায়খৎলকখিবা আর জি জি ভি ৱাই স্কিমগী মখাদা খেংজোই সব দিভিজনগী মনুং চন্না লৈরিবা জোপি খুলদা নৌনা শাগৎখিবা ২X১ এম ভি এ ৩৩/১১ পৱার সব ষ্টেসন অমা ওক্টোবর ১৬, ২০১৭তা মণিপুর লৈঙাক্কী পৱার মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বাজিৎনা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নরমখি। মতম অদুৱাইদগী হৌদুনা খেংজোই সব দিভিজন মনুংদা লৈরিবা বোর্দর এরিয়াগী খুলশিং য়াওনা খুল ১০০ রোমদা ইলেক্ট্রিক্ট পোষ্ট য়ুংদুনা অমসুং ৱায়র তিংদুনা মৈ ফংহন্নবা থবকশিং লৌখৎলম্বদা নত্তনা ত্রান্সফোর্মর ফাওবা খিনবগী মথক্তা প্রিপেদ মিটরশিং যূমথোঙ খুদিংদা পানবীরমখি। মতম অদুদা মৈ ফংদ-ফংলগদবোই নীংদুনা খুঞ্জাশিং য়াম্না হরাওনখি। অদুবু খুল ৫০ রোমদমক মৈ ফংলগা লেমহৌরিবা খুল ৫০ রোমদি ঙসি ফাওবা মৈ ফংদনা লৈরি। মৈ ফংলিবা খুলশিং অসিসু জৌপিদা লৈরিবা পৱার সব ষ্টেসন অসিগা নক্লনা লৈবা খুলশিং খক্তনি। মসিসু চহী অমগী মনুংদা নুমিৎ ৪৫নিদগী ৫০ রোমদমক মৈ ফংবনি। নোংজু থাগী মতমদদি মৈ ফংদে। মরক্তা য়াদবা য়াওরকপা মতমদসু জোপিদা লৈরিবা পৱার সব ষ্টেসনগী মীওইশিং অসি লৈঙাক্কী ওইবা চপ চাবা ষ্টাফ অমত্তা নত্তে। নোংমগী খূৎশুমলদা ওফিসল খরনা নেক্লগা মনাক নকপা খুলশিংদা মীওই ৩/৪বু সব ষ্টেসন অসি শেন্ননবা থা থাগী ওইনা শেল খরা খরা পীরগা থবক তৌহনবীবনি। মখোয় মরিনা নুমিৎ খায়দোক্লদুনা পৱার সব ষ্টেসন অসিগী চৌকিরসু ওইবা, মৈ মুখোক মুশিন তৌবগীসু শেন্নবা অমসুং মসিগী মথক্তা ৩৩/১১গী লাইন য়ারক্তবগীসু পোষ্ট কাদুনা শেম্বগী থবক তৌদুনা লাক্লি হায়খি।

মখোয়সু দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফ নত্তবনিনা লাইন য়ারক্তবা মতমদা পোষ্ট কাদুনা শেম্বীয়ু হায়বদা অশোয় অঙাম থোক্তুনা অশোক অপন অমদি অশি অনা য়াওরকপদা লন্নাই তারক্কদবনা মরম ওইদুনা মৈ শেম্বীয়ু য়াদবসু কোঙ্গাইনি। খুঞ্জাশিংনা মখোয়বু থেমদুনা অমদি মখোয়গী অৱামল খরা খরা পীরগা মৈ য়ারক্তবা মতমদা শেমহন্দুনা লাক্লি হায়রি।

মখোয়শিং অসিসু লৈঙাক্লা ষ্টাফ ওইনা লৌশিনবীবা য়ারবদি লৌশিনবীরো হায়না কুকি চীফ এসোসিএসন অমদি কে এস ও খেংজোই ব্লোককী মীওইশিংনা পাউমীশিংগা লোয়ননা য়েংশিল্লুবদা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মসিগী মতাংদা লৈঙাক্তসু হায়জখিবা লৈখ্রে হায়রি। করিগুম্বা মখোয়বু ষ্টাফ ওইনা লৌশিনবীরোইদবা লৈরবদি লৈঙাক্লা মতিক চাবা ষ্টাফশিং থাবীরক্তুনা লাইন য়ারক্তবা মতমদা শেম্বীদুনা মতম পূম্নমক্তা মৈ নিংথিনা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু। মরু ওইনা বোর্দর এরিয়াদা লৈবা খুলশিংদা মৈ পীগনি হায়না থৌরাং পুম্বা লোইশিনবীরম্লগা ঙসি ফাওবদা মৈ ফংদবদগী মশা মশাগী সোলর লেম্প শীজিন্নদুনা লৈরি। নোংলৈ নুংশিৎনা তৎতুনা লৈবাক্তা তারগা লৈরকখিবা ৱায়র কয়া য়েংশিনবীনবা লৈরক্তবনা ৱায়রশিং অদু হুরানখিবসু য়াওখ্রে। য়ারবদি লৈঙাক্লা শিনবীদুনা চীং-তম মান্ননা চাওখৎনবা হোৎনরি হায়বদু থবক্তা ওইনা পাঙথোকপীয়ু হায়নসু লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লকখি।

## বি জে পি ১৫ য়ৌনা কারকপা ঙল্লোই ...

*লামায় ১গী মখা...* ফংবদা য়াম্না ৱানা থোক্কনি হায়রদুনা তম্পাক্কী ওইনা লৈরিবা সিট ৪০গী মনুংদদি বি জে পিনা সিট ৯দগী হেন্না কাবা ঙল্লোই হায়খি।

ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুপা ক্রোর ১,৮৫০ রোমগী প্রোজেক্ট ১৩ শঙ্গারম্বা অমসুং লুপা ক্রোর ২,৯৫০ রোমগী অনৌবা প্রোজেক্ট ৯গী উরেপ য়ুংলম্বা থৌরমগা মরী লৈননা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা বি জে পি লৈঙাক্কী চহী মরি মখায়গী মতমদা করম্বা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং তৌখ্রবগে হায়বা ৱাহংসু হংখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ঙসি শঙ্গারম্বা প্রোজেক্টশিং অদু কোংগ্রেসকী মতমদা পায়খৎলম্বা ঙাক্তনি হায়বগা লোয়ননা হৌখিবা এসেম্বলি ইলেক্সনগী মমাঙদা অয়াম্বা প্রোজেক্টশিং অদু লোইশিল্লন্নবনি হায়খি।

অদুবু লন্নাই মীওইশিং অমসুং লূপশিংনা মণিপুরদা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭ শেমখিবগী মায়োক্তা ব্লোকেদ তোয়না তৌশিনখিবদগী মতম অদুদা লৈখিবা কোংগ্রেস লৈঙাক্লা মতম চানা শঙ্গাবা ঙমখিদবনি হায়খি। লোয়ননা ঙসি শঙ্গারিবা প্রোজেক্টশিং অদু কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা শঙ্গাবগী থৌরম পাঙথোকপা য়াবগী থাক্তা লোইশিল্লন্নবনি হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রক্লিবা বি জে পিনা চহী তরেৎ মখায়গী মনুংদা মীয়ামদা কানহনগদবা প্রোগ্রাম অমত্তা পায়খৎলক্তে হায়রদুনা ডা. মনমোহন সিংহনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈগী মতমদা লৈখিবা কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক অদুনা চহী অমগী মনুংদা বি পি এল ফেমিলিগী মীওইশিংদা এম জি নরেগাগী মখাদা নুমিৎ ১০০নি থবক পীগদবনি হায়বা স্কিম অসি হৌদোক্লম্বনি। য়ু পি এ লৈঙাক অদু লৈরিঙৈদা রাইট টু এদ্যুকেসন এক্ট হৌদোক্তুনা ক্লাস আইট ফাওবদা মহৈরোয়শিংবু ফ্রী অমসুং কম্পলসরি এদ্যুকেসন পীবা হৌদোকখিবনি হায়খি। অদুগা লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীওইশিংদা চাননবা চিঞ্জাক পীনবগী স্কিমসু হৌদোক্লম্বনি হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মখোয়গী এম এল এশিংগী ফুরিৎখাওদগী লৌথোরকপা শেলনা রুরেল এরিয়াশিংদা শাগৎপা নত্তনা লৈঙাক্কী ওইবা স্কিমগী মখাদা য়ূম অমা শারে হায়দুনা উৎপা ঙমগদ্রা হংখি।

লৈরিবা লৈঙাক অসি মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা ৱাফমশিং তাদে হায়বগা লোয়ননা ওপোজিসন পার্টিগী মায়কৈদগী ঙাঙলকপা ৱাফমশিংসু ওই থংবা নাকোংনা তারগা য়েৎ থংবা নাকোংলোমদা ফাওদোক্তুনা চৎখি। মখোয়গা মরৈ তৌনরুবগী কানবা লৈতে হায়রদুনা লাক্লিবা মীখল অসিদা বি জে পিবু মীয়াম্না মণিপুরগী লৈঙাক্তগী লৌথোকখিবনা হেন্না অফবা ওইরগনি হায়খি।

অমরোমদা, ঙসি খুরাই ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্স অমা কংলা শঙ্গোমশঙদা লৈবা এ সী অসিগী কোংগ্রেসকী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা খুরাইজম রতনকুমারগী য়ূমদা পাঙথোকপগা লোয়ননা মহাক মশামক্লা খুরাই এ সীগী মীয়ামগী অপাম্বা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্কনি হায়দুনা লাউথোকখ্রে।

কনফরেন্স অসিদা কে ঐচ রতনকুমারনা হায়, ঙসিগী থৌরম অসিদা কোংগ্রেসকী লুচিংবশিংদি হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিনা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা লৈখিদ্রবসু মশামক্কী য়ূমদা মীয়াম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকপদি ঙস্লে। খুরাই এ সীনা ঙসি ফাওবদা শোখনা লৈরক্লিবসি খরদংদা ওইরবসু মেনখৎনবা হোৎনজগে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা মীরেপ ওইননবা থোরকপনি। হৌজিক লৈরিবা এম এল এ অসিদি চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎপগী মহুত্তা ঠিকাগী মায়ওন্দগী হোংদোকপা য়াদনা লৈরে হায়খি।

এদ্যুকেসন সেক্টরদা মীৎয়েং থম্বগী মহুত্তা খুরাই পোপ্যুলর হায় স্কুল অসি হৌজিক্তি য়াম্না পিকপা স্কুল অমা ওইনা ক্লাস থ্রীদগী ফাইভ ফাওবদং তমদুনা লৈরে। স্কুল অসি য়োকখৎপগী মহুত্তা পিকশিলহল্লক্লিবা অসি এদ্যুকেসন মুথুৎপগা পাঙ্খকনি। মরম অদুনা এদ্যুকেসন সেক্টরদা অকনবা মীৎয়েং থমগনি হায়খি।

খুরাই এ সীগী লন্বী থোংদা চয়েৎনদুনা লৈরিবা, হৌজিক্লা মীখল ময়াগী কোয়লাস থাবনচিংবা হৌরক্লিবশিংগী মতাংদসু মরন্নাই শেল পুথোক্লগা শেমজিনবনি হায়রকপসু য়াওরি। মসিদা নত্তনা ভোট পীদ্রবদি শেল্লোই হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোক্লরক্লি।

লোয়ননা চেঙগী কার্দ পীবদা পোলিটিক্স তৌরিবা অসিসু তৌহন্নীংদে হায়রদুনা চেঙ ফংনবগীদমক কার্দ শাবা হায়বসি দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী মথৌনি। মসিদা এম এল এগী খূৎ চঙলোইদবনি হায়রদুনা মীয়াম্না য়েংশিনবা চঙই, তূমিন্না লৈথোকপীগনু হায়খি।

খুরাই এ সী অসি অমরোমদা য়েংলগদি য়াম্না লাইবক ফবা মফম অমনি। ইরিল তুরেল অমদি ইম্ফাল তুরেলনা চপ্লগা লৈবগী মথক্তা কোংবা তুরেলসু লৈরিবা মফমনি। লল্লোন ইতিক্কী থবকশিং ফগৎহনবগা লোয়ননা চাথোক-পোথোক হেনগৎহনবা য়াবা অমসুং লৌউ-শিংউগী লম্দ চাওখৎহনবা য়াবা মফমনি হায়খি।

ঈথৈ লৌখোংগী য়েংলুরবসু ফজনা শেমগৎলকপদা ঈশিংগী অৱাৎপা লৈরোই। ঈথৈ লৌখোং নিংথিজনা শেমগৎলগদি লৈরিবা লম্ফাংশিং অসি মহৈ মরোং পুথোকফম মফম ওইরক্কনি। করিগুম্বা মহাক্লা মায় পাক্লবদি ঈথৈ লৌখোং শেমগৎতুনা চহী চূপ্পা পোথোক পুথোক্লবা হোৎনগনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এম পি সী সীগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট তোংব্রম মনিবাবু, খুরাই ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কে সনাজাওবা অমসুং দি সী সী শাওস্নুংগী প্রসিদেন্টনচিংবনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইখি।

## মীখলগী নোটিফিকেসন থাসিগী ১০দগী ১৩ ফাওবগী ...

*লামায় ১গী মখা...* নরেন্দ্র মোদি অমসুং ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা হৌজিক লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯গী কেসশিং মীপাইনীংঙাই ওইবা মওংদা মায়োক্লদুনা লৈরিবনিনা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট মঙাগী মীখলশিং অসিদা মীয়াম পূলহন্দনবগীদমক য়ৈথোকপীনবা হায়জখিবা লৈখ্রবনি।

নাকল অমরোমদনা, বি জে পি অমসুং মহাক্কা খূৎশম্ননা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংগী মায়োক্তা লৈবা ওপোজিসন পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মায়কৈদগীনা ঈ সী আইদা ষ্টেট মঙাগী এসেম্বলি ইলেক্সনশিং অসি হান্নদগী পাঙথোক্কনি লেপখিবা মতম অদুদা শোয়দনা পাঙথোক্লবা হায়নরকপসু লৈরিবনি।

অমরোমদা, মণিপুরগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা ষ্টেট এসেম্বলি ইলেক্সন অসিগীদমক তঙাইফদনা চঙবদগী পাঙথোকখিবা ইলেক্টোরেল রোল রিভিজন/স্পেসল সম্মরি রিভিজনগী থবকশিং মপূং ফানা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা হান্নদগী মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না হয়েং নুংথিল পুং ১ তারকপদা লম্ফেল পাৎতা লৈবা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরগী ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা মণিপুরগী ফাইনেল ফোটো ইলেক্টোরেল রোল, ২০২২ ফোঙদোক্লগনি হায়রি।

ৱাফম অসি এদিসনেল চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর, মণিপুর এন প্রবিননা ওফিসল ওইনা ফোঙদোরকপনি।

লোয়ননা ষ্টেট অসিগী পাঙথোক্কদৌরিবা অনৌবা মীখল অসিগীদমক চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিংবু ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরসু ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্টোরেল ওফিসর (দি ঈ ও) পাৱন য়াদবনা রিভিয়ু তৌখ্রে।

থৌরম অসি ঙসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা মিনি সেক্রেটেরিএটকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবনি। রিভিয়ু মীটিং অসিগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং শীন্নখিবা নোদল ওফিসরশিংনা মখোয় মখোয়না পাঙথোক্কদবা থবক থৌরাংশিং অদুগী মতাংদা দি ঈ ওদা মরীক চুম্বা ৱাফমশিং পাউদমখি।

দি ঈ ওগী মায়কৈদগীসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা মীখল অসিগীদমক মথৌ তাবা মেন পৱার অমসুং ওবজার্ভরশিং, এক্সপেন্দিচর মোনিটরিং, ফ্লায়িং স্কাদশিংনা পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিং, লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা, অখন্ননা চেকশিনগদবা মফমশিং য়াৎথোকপা, হেল্প লাইন অমসুং কমপ্লেন্ট রিদ্রেসেলশিং হাংদোকপা, ঈ ভি এম মেনেজমেন্ট, ত্রান্সপোর্ট মেনেজমেন্ট, পোল্লিং পর্সনেলশিংগী ত্রেনিং অমসুং মীদিয়া সর্টিফিকেসন অমসুং মোনিটরিং এক্টিভিটিশিংগী মতাংদা লৌখৎলিবা থবকশিং য়েংশিনখি।

লোয়ননা দি ঈ ও/দি সী পৱন য়াদবনা নোদল ওফিসরশিংদা মখোয়দা মীখলগীদমক শীন্নরিবা থবক থৌরমশিং চেকশিন্না পাঙথোকপগা লোয়ননা মীখল অসি ঈংনা-চিক্লা পাঙথোক্লবা থবকশিং লৌখৎনবা হায়খি।

ঙসিগী রিভিয়ু মীটিং অসিদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি সিবানন্দ সুর্ভে, দি আর দি এগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর এস টি গাংতে, এ দি সী য়ূম্নাম নেলসন, সী ঈ ও/এ দি সী সী লালথাজান অমসুং দিষ্ট্রিক্ট নোদল ওফিসরশিংনা শরুক য়াখি।

ক্বিংদম
KINGDOM EDUCATIONAL INSTITUTE
Fulfill your Dreams
Regd. No. 422 of 2020 ( Govt. of Manipur)
CIN: Regd. No. U80903MN2021PTC014275 (Ministry of Corporate Affairs, Govt. of India)
APPLY NOW !
AVIATION COURSE
Starts from 10th Jan, 2022
CABIN CREW, GROUND STAFF TRAINING
100% Job Placement Assistance, Jobs across the Globe

CABIN CREW STAFF
H. Nandita Devi
* BB(A) Tourism & Hospitality Management
* Ex-Cabin Crew Kingfisher - 4 yrs
* Qatar Airways - 3 yrs
Emmanual Lalremruot
* Faculty - B.Voc Tourism & Hospitality Management
* Ex-Cabin Crew - Air India (International) - 4 yrs

RAMPWALK STAFF
Rakesh Nongmaithem
* Fair & Lovely Mega Mr. North East 2015 Best Model & Best Personality Award
* Rubaru Mr. India 2018 Best Rampwalk Award
Soibam Kanchan Chanu
* Fbb Colours Femina Miss India Manipur 2017

GROUND STAFF
Rani Sharma
* 7 yrs Experience
Rk. ongbi Priya
* 6 yrs Experience

KEY FEATURES
❖ Spoken English
❖ Spoken Hindi
❖ Computer Education
❖ Hospitality Management
❖ Interview Techniques
❖ Personality Development
❖ Grooming
❖ Dental Check up
❖ Skin Care
❖ Airport Visit
❖ Lowest Fee Structure

◆SPOKEN ENGLISH
◆SPOKEN HINDI
◆COMPUTER (NIELIT)
Tally GST, CCC, DCA

Get trained by highly qualified & long experienced Experts under the Supervision of Sir Naobi Loitongbam
☛ 21 yrs Teaching Experience ☛ 1 Mth in Myanmar / Burma as a Trainer ☛ Multiple Schools & Colleges ☛ 2 Mths at AIR (All India Radio) Imphal
☛ 3 mths at IT Call Centre as a Trainer (Sponsored by SAT, Govt. of Manipur) As an English Language Trainer (Sponsored by UGC)
Address: Kingdom Office, IIIT Building (1st Floor) Old Lambulane, Opp. GP Women's College
Contact No. : 9612224161, 7005622203, 8837407726, 6009124946



HL-B/7293/22nov.-19jan.(alt.)